## কাশ্মীর গ্রেনেদ এটেকতা ১৬ শোকক্লে

***সোপিয়ান, জুন ৪ ঃ***

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি অয়ূক গ্রেনেদ এটেক অমদা পুলিস ওফিসার অনী য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ১৬ শোকখ্রে।

কাশ্মীরদা হৌখিবা নুমিৎ ৪ নিদা ঙসিগী এটেক অসি অসিগুম্বা এটেকতা তরারক শুবনি। এটেকশিং অদু টেরোরিষ্ট আউদফিট জৈস-ই-মহম্মদনা মখোয়না তৌবনি হায়না মশানা ফোঙদোরকখ্রে।

পুলিসকী পাউ মতূং ইন্না সোপিয়ান টাউনগী বাতাপোরা চোক্তা লৈবা পুলিস পার্টি অমদা টেরোরিষ্টশিংনা গ্রেনেদ অমা লংশিল্লকখি। অদুবু গ্রেনেদ অদুনা পান্দম থল্লিবা মফমদা পানখিদে অমসুং লম্বীদা ওইনা পোকখাইখি হায়রি।

সেন্ত্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্সকী জীপনা তকখিবা নুপা অমা মথংগী নুমিদাংদা শিখিবগী মতূংদা থাংজ নুমিত্তা শ্রীনগরদা ফোর্স অসিগী গারীশিংদা গ্রেনেদ এটেক অহুম চত্থরকখি। এটেক অহুম অদুদা সি আর পি এফ পার্সোনেল মরি অমসুং অতোপ্পা মীওই মরি শোকখি হায়রি।

## মদ্রাজ হায় কোর্টকী জজ ৭ ৱাশক লৌখ্রে

***চেন্নাই, জুন ৪ ঃ***

মদ্রাজ হায় কোর্টকী নৌনা হাপখিবা জজ ৭ ঙসি ৱাশক লৌখ্রে। চীফ জষ্টিস ইন্দিরা বেনর্জিনা মখোয়বু ওফিস পায়বগী ৱাশক লৌহনখি।

মসি থারগা হায় কোর্ট অসিগী সেঙ্কসন ষ্ট্রেন্থ ৭৫ লৈগদবগী মনুংদা ৬৩ শুরে। জজ পূম্নমক অদু বারদগীনি। লো মিনিষ্ট্রিনা হায় কোর্ট অহুমদা জজ ১৪ জুন অমদা হাপখিবনি। কর্নাটকা হায় কোর্টতা জজ ২, মধ্য প্রদেশ হায় কোর্টতা জজ ৫ হাপখিবনি।

## মপা য়াওনা ৪ হাৎপা মীওই ৩ ফারে

***সিতামরহী, জুন ৪ ঃ***

বিহারগী সিতামরহী দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা বানচাউরি খুঙ্গংদা অপোকপা মপা, পোক্তৱী মমা অমসুং পোকমীন্নদবা মচিন-মনাও অনী হাৎপগীদমক মীওই অহুম ফারে হায়না পুলিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মীহাৎপ অদু লন-থুমগী মতাংদা খৎনরকপদগী থোক্লকপা ওইরম্বা য়াই হায়না সদর দিপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস বীর ধিরেন্দ্রনা হায়খি। মীওই অহুম অদুনা মখোয়গী মপা রামবিলাস রাও (৬০), মাগী অনীশুবা নুপী সুনিতা দেবী অমসুং মচানুপা অনীবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি। অদুগা অথৌবা থাঙ অমনা মখোয়গী মখৌরিসু লেন্থৎলম্মী। থৌদোক অসি ঙরাং অহিং নোংয়াই অদুৱাইদা থোকখিবনি হায়না ওফিসার অদুনা হায়খি।

খুঙ্গং অদুমক্তদা মখোয়গী অপোকপা অপোকপী মমা মন্তুনিয়া দেবীগা পূন্না লৈমিন্নবা মীওই অহুম অদু অহিং চূপ্পা কোইথি থীরবা তুংদা ঙসি অয়ূক পুলিসনা ফাবা ঙম্লে হায়না দিপ্যুটি এস পি অদুনা হায়খি। অদুবু মখোয়গী মমা মন্তুনিয়া দেবীদি হৌজিক ফাওবা লোক্তুনা লৈরি হায়না ফোঙদোক্লদুনা দিপ্যুটি এস পি অদুনা মখা তানা অশিবা হকচাং মরি অদু পোষ্ট মের্টেমগীদমক সদর হোস্পিটালদা থাখ্রে হায়খি।

## মচানুপী লক্লবা থিংলুবা মপা হাৎলম্লে

***মুজাফরনগর, জুন ৪ ঃ***

মচানুপীদা নাতে চাদবা মওংদা লক্লবগা লোয়ননা নত্তবা লীচৎ চৎনবা নহা অনীনা হোৎনরকপদা থিংলুবা মশাগী চহী ৬৫ শুরবা মপা অমা নহা অনী অদুনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে হায়না পুলিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অসি মুজাফরনগরগী রামপুরি এরিয়াদা ঙরাং থোকখিবনি হায়না পুলিস সুপরিন্টেন্দেন্ট ওমবির সিংহনা হায়খি।

থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা, নুপীমচাশিংদা কারন তৌবা, লমচৎ নাইদবা নহা অনীদুগী মমিং কিরসনপাল অমসুং ভিসাল কৌই। মখোয় অনীদুগী মথক্তা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎলে। মখোয় অনী ময়ূম থাদোক্তুনা চেনখিবা মরম্না হৌজিক ফাবা ঙমদ্রি অমসুং মখোয়বু ফানবা কোইথি থীরি হায়না ওফিসার অদুনা হায়খি।

চেন্নরিবা নহা অনী অসি নুপীমচা অদুগী খুঙ্গং অদুমক্তদগীনি হায়না পুলিসনা হায়খি।

## সুস্মা স্বরাজনা সাউথ অফ্রিকান প্রসিদেন্টকা হীরম কয়ামুক খন্নখ্রে



***জোহন্নেসবর্গ, জুন ৪ ঃ***

ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা সাউথ অফ্রিকান প্রসিদেন্ট সায়রিল রামাফোসাগা লৈবাক অনীগী মরক্তা কন্না থবক তৌমিন্নরিবশিং অমসুং স্কিল দিভলপমেন্ট, এগ্রিকলচর অমসুং ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী হীরমশিংদা হেন্না তেংবাংনবগী মতাংদা খন্নখ্রে।

সুস্মা স্বরাজনা ব্রিক্স অমসুং ইবসাগী মফমশিং য়াওনবা নুমিৎ মঙানিগী খোঙচৎতা জোহন্নেসবর্গতা ঙরাং থুংলখিবনি। এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অদুগী মতূং ইন্না লন্দনদা কম্মনৱেল্থ সমিটতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা সাউথ অফ্রিকাগী প্রসিদেন্টকা উন্নখিবা অমদুদা সাউথ অফ্রিকাগী প্রসিদেন্টবু সুস্মা স্বরাজনা উন্নখি। লৈবাক অনীনা ইন্দিয়া-সাউথ অফ্রিকা ব্যুজিনেস সমিটকী মতূং তারকপদা থবক কয়ামরুম পূন্না তৌমীন্নরকখি অমসুং হীরম কয়াদা তেংবাংনবা হেনগৎনবা য়ানখি হায়রি।

ইন্দিয়া অমসুং সাউথ অফ্রিকানা দিপ্লোমেটিক্কী মরী লৈনরকপগী ২৫ শুবা চহী ওইবা মরম্না কুমজা ২০১৮ অসি লৈবাক অনী অসিগীদমক অখন্নবা চহী অমনি হায়না সুস্মা স্বরাজনা হায়খি।

মসিদা নত্তনা সাউথ অফ্রিকাগী শক্লাইরবা লুচিংবা নেলসন মন্দেলাগী ১০০ শুবা মপোক কুমওননি অদুগা মহাত্মা গান্ধীবু সাউথ অফ্রিকাদা ট্রেনদগী লংথোকখিবগী থৌদোক অদুগীসু ১২৫ শুবা চহী তারি। ইতিহাসিক ওইরবা থৌদোক অদুগী চহী ১২৫ শুবগী থৌরম কয়ামরুমসু সুস্মা স্বরাজনা শরুক য়াগনি।

## চহী ৫ গী নুপীমচ ১ মখৌরি লেন্থৎলগা নলাদা লংথোক্লক্লে

***জমুনানগর, জুন ৪ ঃ***

হরিয়ানাগী জমুনানগর দিষ্ট্রিক্টতা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা মশাগী চহী ৫ দা শুরিবী নুপীমচা অমবু মখৌরি লেন্থৎলগা নলা অমদা লংথোক্লক্লে। মহাকপু হাৎত্রিঙৈগী মমাঙদা মাবু রেপ তৌখিরম্বা য়াই হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা হায়খি, নুপীমচা অদুগী মঙকশমদসু মখৌরি মেৎপগী দাকফমশিং তারম্মী। গুরগাউন্দগী কিলোমিটর ২২০ লাপ্পদা খিজ্রাবাদ খুঙ্গংদা চিংনবা মীওই মরি ফারে অমসুং মখোয়বু ৱাহং পাউহং চত্থরি।

হীরম অসি ঐখোয়না য়াম্না অরুবা অমনি হায়না লৌই। ইনভেষ্টিগেসনগী থবক চত্থরি হায়না জমুনানগরগী সেনিয়ার পুলিস ওফিসার রাজেস কালিয়ানা হায়খি।

ৱাটচমেন অমা ওইরিবা মহাক্কী মপা অদু নুপীমচা অদুনা তেংবাংদুনা লৈবনি। নোংমাইজিং নুমিৎ অদুদা মহাক অনকপদা লৈবা তুরেল অমদা ঙা ফাদুনা লৈখি। মপা অদুনা মচানুপী অদুদা য়ূমদগী ছাতিন অমা লৌননবা হায়খি। মহাক্না য়ূম ফাওবা তেক্তা-কায়দনা য়ৌখি অমসুং ছাতিন অদু পুরক্লগা হল্লকখি। মদুবু তুরেল মপান্দা লৈহৌরিবা মপাগী মনাক্তা নৎত্রগা ময়ূমদা অমুক হন্না হল্লকখিদ্রে হায়না পুলিসনা হায়রি।

মহাক্না হনমল্লক্রবা অদুদা মতম খরগী তুংদা মপা অদুনা খুঙ্গা খরদা পাউ পীখি। খুঙ্গাশিংনা খুঙ্গং শিনবা থুংনা মহাকপু থীখি। নুপীমচা অদু ফংবা ঙমদ্রবা মতমদা খুঙ্গাশিং অদুনা নুমিদাংৱাইরমদা পুলিসতা চৎখি।

অহিং চূপ্পা থীরবা তুংদা মহাক্কী ময়ূমগী মনাক্তা লৈবা নালা অমদা পীক্লিবা নুপীমচা অদুগী হকচাং অদু লৈরম্বা থেংনখি।

হৌখিবা চয়োলমক্তদসু হরিয়ানাগী ফরিদবাদ দিষ্ট্রিক্টতা শুপ্নগী চহী মরিতা ঙায়রিবী নুপীমচা অমা মহাক্কী মপাগী অথুম অহাও য়োনবা দুকান্দা থবক হেক হেক তৌবা নুপা অমনা রেপ তৌখি অমসুং থাঙনা থিল্লগা হাৎলমখি। নুপীমচা অদুগী হকচাং অদু মীহাৎপা অদুগী য়ূমদা পাত্র অমগী মনুংদা নমশিল্লগা লৈরম্বা থেংনখি। মেদিকেল টেষ্ট তৌবদা নুপীমচা অদু রেপ তৌখি হায়বা খঙবা ঙমখি। মশাগী চহী ২৪ শুরবা মীহাৎপা অদু পুলিসনা ফাখি অমসুং ৱাহং পাউহং চত্থখ্রে হায়রি।

## শিল্লোংদা মখা তানা খূৎ থোক্লরকপদগী আর্মি অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সশিং কৌশিনখ্রে



***শিল্লোং, জুন ৪ ঃ***

মেঘালয়াগী কোনুং শিল্লোংদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম নৌহৌননা হিংশাগী থৌদোকশিং থোক্লকপদগী মফম অসিদা আর্মি কৌশিনখ্রে। সেলফোন, ইন্টর্নেট অমসুং টেক্স মেসেজশিং খাসি হিলস রিজন পূম্বদা থিংজিনখ্রে।

করিগুম্বা মসিনসু মতিক চারক্ত্রবদি ওথোরিটিসনা প্রাইভেট ব্রোদবেন্দগী মথক্তসু অথিংবা থম্লক্কনি হায়না ওফিসিয়েল লীখুনশিংনা হায়খি।

হৌখিবা নুমিৎ মরিনিদা হিংশাগী থৌদোকশিং থোকখ্রবা সিটি অসিদা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম ঙাকপদা পুলিসনা তেংবাংনবা হোমি মিনিষ্ট্রিনা পেরামিলিটরি ফোর্স কম্পনি ১১ থাখি। কাঙলূপ অনীগী মরক্তা হৌখিবা চয়োলদগী হৌরকখিবা ইরাং অসি মফম অদুদা লৈরিবা ত্রাইবেলশিং অমসুং লম হোংলক্লগা লৈবা পঞ্জাবীশিংগী মরক্তা মপূং ফাবা মুক্লবা অমগী শক্লোন লৌরকখি।

নুমিদাং পূং ৫ রোম তাবদা খূৎলাই পায়দবা অপীকপা মীওই খূৎপু অমনা কার্ফ্যুগী নিয়ম থুগায়দুনা সেক্রেটেরিয়েট কমপ্লেক্স মনুংদা চঙনবা হোৎনরকখি। অদুবু পুলিসনা মখোয়বু অমুক হন্না তাম্থোকখি। সিটি অসিদা ঙরাং নুমিদাংদগী নৌহৌননা হিংশা থোক্লকখি। মদুনা মরম ওইদুনা মীওই খূৎপু অদুবু লাকশিন্নবা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস সেলশিং কাপখি।

মেঘালয়া চীফ মিনিষ্টর কোন্রাদ সাংমানা খূৎ থোক্লবশিং অদু কনাগুম্বনা অতম্বনা শিনবনি হায়খি। ইরাং অসিগীদমক ফন্দ থাদবা মীওইশিং লৈ হায়বসি ঐখোয়না খঙঙি। মমল তাংলবা অলকোহোল অমসুং শেন-থুম পীরি হয়না মিষ্টর সাংমানা এজেন্সিদা হায়খি।

ৱাথোক অসি অকক্লবা ৱাফম অমখক্তদা লৈবা চহী ৩০ শুরবা ৱাথোক অমনি হায়বা ৱাফম থম্লদুনা কম্মুনেলনি হায়বা ৱাফম অদু চীফ মিনিষ্টরনা য়াখিদে। ৱাথোক অসি লমগী মতাংদনি। ঐখোয়না নুংশিননা ৱারোয়শিন পুরক্লবগী ফিরেপ লৌরি হায়না মহাক্না হায়খি।

শিল্লোংদা লৈবা সিখশিংদা কিহনবগী পাউশিংগী মতাংদা নুংনাংলবা পঞ্জাবকী অমরিন্দর সিংহ গভর্ণমেন্টনা কেবিনেট মিনিষ্টর অমনা লুচিংবা মেম্বর মরিগী টিম অমা মেঘালয়াগী কোনুং অদুদা থানবা ৱারেপ লৌরে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রোটেষ্টর খরবু পঞ্জাবী লাইন এরিয়া মনাক্তা মখোয়গী লোৎফমদগী থাদোক্তুনা চৎখিনবা পুলিসনা ফোর্স শীজিন্নরুবগী মতূংদা ঙরাং নুমিদাংদগী হিংশা অসি অমুক নৌহৌননা থোক্লকখিবনি।

## তাজ মহল দিক্লারেসন এদোপ্ট তৌখ্রে

***আগ্রা, জুন ৪ ঃ***

ইতিহাসিক ওইরবা মার্বল মোনুমেন্ট তাজ মহলগী অকোয়বা মিটর ৫০০ গী এরিয়া অসি প্লাষ্টিক্কী থোকহনবা পোলুসন থিংনবা তাজ দিক্লারেসনগী মখাদা থুনমক প্লাষ্টিক-ফ্রী ওইরগনি।

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা তাজ মহলগী অকোয়বদা দিসপোজেবল নৎত্রগা সিঙ্গল-য়ুজ প্লাষ্টিক শীজিন্নবা থিংনবা ৱারেপ লৌখ্রে অমসুং দিক্লারেসন অসি ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দে-জুন ৫ গী মাঙওইননি।

মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর ইনভাইরোনমেন্টসু ওইরিবা য়ুনিয়ন কলচর মিনিষ্টর মহেস শর্মা, য়ুনাইটেদ নেসন্স ইনভাইরোনমেন্ট প্রোগ্রাম ইজিক্যুটিভ দাইরেক্তর এরিক সোলহিল অমসুং য়ু এন ই পি গুদৱিল এম্বেসেদর এক্টর দিয়া ম্রিজানা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগী চহী অসিগী থিম ওইরিবা – বিট প্লাষ্টিক পোলুসন অসিগী চান্নবা আগ্রাদা প্লাষ্টিক লৈহন্দনবা পান্দম থল্লিবা তাজ দিক্লারেসন অসি তৌখিবনি।

মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না পোলুসন থোকপা নিপানশুবা সিটি অসিদা লৈরিবা তাজ মহল হৌজিক নাপু মচু অমসুং অশংবা মচু ওল্লক্লে। প্লাষ্টিক হেঞ্জিন্না শীজিন্নরকপা থিংবগী মতম হৌজিক ওইরক্লে। য়ুনিয়ন অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্ট লোয়ননা তোঙান তোঙানব এজেন্সিশিংনা পূন্না থবক তৌমীন্নদুনা আগ্রাবু দিভলপ তৌনবা গভর্ণমেন্টনা চপ চানা লেপ্লি।

## মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ইন্দিয়াগী ফাইটর জেটকী ওর্দর চহী অনী ঙাইবা তারি ঃ বোইং

***সিঙ্গাপোর, জুন ৪ ঃ***



বোইং কম্পনিগী সেনিয়ার এক্সিক্যুটিভ অমনা ফোঙদোকপদা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা কম্বেট এয়ারক্রাফ্ট ওর্দর অদুগী ৱিনর অদু ইন্দিয়ানা ফংদ্রিঙৈ মমাঙদা চহী অনীগী মতম ফাওবদি ঙাইবা তারি হায়রি।

ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সতা ফাইটর জেট ১১০ পীনবগী লমজেল তান্নবদা বোইংগী ফিভম য়াম্না ফনা লৈরি হায়না গ্লোবেল দিফেন্স সেলসকী বোইং ভাইস প্রসিদেন্ট জেনে কন্নিংহামনা হায়রি।

ৱাফম অসি সিঙ্গাপুরদা পাঙথোকপা সেক্যুরিটি ফোরম অমা য়াওবা লাকপদা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিত্তা ব্লূমবর্গ ন্যুজদা বোইং ফ্লাইট প্রসিদেন্ট অসিনা ফোঙদোকখিবনি। কম্পনি অসি ইন্দিয়ান নেভিদা ফাইটর জেট ৫৭ পীনবগী তোঙানবা কম্পিটিসন অমদসু ফাইনেলিষ্ট অমা ওইরি।

ফাইটর জেট ১১০ পীনবগী টেন্দর অসিনা অপূনবা ওর্দর অদুগী য়ামদ্রবদা চাদা ৮৫ দি লৈগদৌরিবা লৈবাক অদুদা শাগদবনি। দিল অসি য়ামদ্রবদা দোলর বিলিয়ন ১৫ গী ওইরবা য়াই।

এপ্রিল থাদা বোইং কম্পনিনা ফোঙদোকখিবদা অতে মথৌ তাবশিংগীদমক্তসু শীজিন্নবা য়াবা অনৌবা ফেসিলিটি অমদা ইন্দিয়াদা এফ/ এ-১৮ সুপর হোর্নেট শাননবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা চলাইবা হিন্দুস্থান এরোনোটিক্স লিমিটেদ অমসুং মহিন্দ্র দিফেন্স সিষ্টেমস লিমিটেদকা লোয়ননা বোইংনা পার্টনর ওইগনি হায়খি।

ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী ফাইটর জেট পীনবগী লমজেন তান্নরিবা অতে কম্পনিশিংগী মনুংদা লোকহীদ মার্টিন কোর্প, সাব এ বি অমসুং বি এ ই সিষ্টেমস য়াওরি।

ইন্দিয়ানা লৈবাকসিগী মরুওইবা ফাইটর জেট ওইরম্বা রসিয়ানা শাবা মিগ ফাইটরশিং অদু হৌজিক মথং মথং থবক্তগী পোথাহনখিবা মতম অমদা য়ূম্লোন্নরিবা পাকিষ্টান অমসুং চিনাদগী খুদোংথিনিঙাই ওইবশিং মায়োক্লবা হেনগৎলকপগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগীদমক অনৌবা ফাইটর এয়ারক্রাফ্ট লৌবা হায়বসি য়াম্লমক মরু ওইবা ওইরি। লৈবাক অসিমক্তদা পোথোকশিং শাদুনা পুথোক্লবগী পান্দম থল্লিবা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী 'মেক ইন ইন্দিয়া' পোলিসিগীদমক দিফেন্স ইন্দষ্ট্রিনা মরু ওইবা শরুক অমা ওইরি। ইন্দিয়ানা হৌজিক রসিয়াগী সুকোই-৩০ এম কে আই বু মরু ওইবা ফাইটর জেট ওইনা শীজিন্নরি।

কুমজা ২০১৫ দা দোলর বিলিয়ন ১১ গী রাফেল জেট ১২৬ লৈজবগী দেসোল্ট এভিএসন্দা পীবা ওর্দর অমা ককথৎখ্রবা মতূংদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদি গভর্ণমেন্টনা জেট ৩৬ তোঙান্না লৈখি।

ইন্দিয়ানা দিফেন্সকী মচাক লৈশিনবা থুজিনহন্নবা ফ্রান্সতগী রাফেল জেট ৩৬ তোঙান্না লৈখিবনি। ইন্দিয়ানা হান্নদি হৌজিক লৈরিবা কম্বেট এয়ারক্রাফ্ট ফ্লিটকী মহুত্তা সিঙ্গল ইঞ্জিন জেটনা শিন্নবা খল্লম্মী। অদুবু বোইংগী সুপর হোর্নেটকুম্বা ইঞ্জিন অনী পানবা জেটসু খন্নরগনি হায়না কোন্না লাওথোকখি।

## গ্বাতেমালাগী মৈগী চীং পোকখাইবদা ২৫ শিখ্রে

***গ্বাতেমালা সিটি, জুন ৪ ঃ***



চহী ৪০ রোম হেনবগী মনুংদা গ্বাতেমালাগী ফুয়েগো কৌবা মৈগী চীং খ্বাইদগী হেন্না শাথিবা মওংদা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিত্তা পোকখাইরকখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা অঙাং অহুম য়াওনা মীওই ২৫ শিখ্রে। অদুগা মীওই ৩০০ রোম শোকখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মৈগী চীং অসিগী মমিং ভোলকেনো দে ফুয়েগো হায়বদি ভোলকেনো ওফ ফাইয়ার হায়না কৌই। মৈগী চীং অসিনা পোকখাইরকখিবা অদুদা ঙাংশং ভাঙনা অশাবা লভা কিলোমিটর ৮ লোম শাংনা কাপথোক্লকখি। লোয়ননা অমুবা মৈখু মপৈ-মপৈনা অতিয়া কুপখি। মৈখুশিং অদুনা লৈবাক অসিগী কোনুং অমসুং অতে লমদমশিংদা অমুক তারকখি। মৈনা চাকথেক্লবা শিরবা মীগী হকচাংশিং মনিল কাদুনা লৈরিবা অশাবা লভাগী মথক্তা তাদুনা লৈখি। পোকখাইরকখিবা অদুগী মতূংদা থিনা শোক্লবা মীওইশিং কন্নবা রেসকুয়রশিংনা হোৎনখি।

ফুট ১২,৪৩৬ ৱাংবা মৈগী চীং অদুনা পোকখাইরকখিবা অসি মসিনা চহী অসিগী মনুংদা অনীরকশুবনি। থৌদোক অদু লাভাগী তুরেল অমনা তোর্বান পাথোক্তুনা চেন্থরকপগুমই অমসুং মদুনা এল রোদিও খুঙ্গংদা শোকহনখি। অশোকপা, মৈনা চাকথেকপা অমসুং অশিবা মীওই কয়া য়াওখি হায়না লৈবাক অসিগী সি ও এন আর ই দি নেস্নেল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এজেন্সিগী জেনরেল সেক্রেটরী সেরগিও কাবানাসনা রেডিওদা হায়খি।

শিবগী মশীং হান্না ৭ ইরম্বদগী ২৫ দা হেনকৎলে মদুগী মনুংদা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এজেন্সিগী এমপ্লোয়ি অমা য়াওরি। মীওই ৩,১০০ রোম মফম অদুদগী লৌথোক্লকখ্রে হায়রি।

অৱা-তেংবাং পীবগী থবক খুদোংথিনিঙাই ওইবা ফিভমদগী অমসুং ৱেদরগী ফিভম ফৎতবদগী অয়ূক পূং ৫ ফাওবা লেপখি হায়না ম্যুনিসিপাল ফাইয়ার ফাইটরস দিপার্টমেন্টকী ৱাঙাংলোয় অমনা হায়খি। ভোলকেনো লাভাগী ঈচেল অদুগী টেম্পরেচর ৭০০ দিগ্রি সেলসিয়স হেনখি। ভোলকেনোগী উৎ অদুনা কিলোমিটর ১৫ গী রেদিয়সতা নোং চুথরকপা য়াই। মদুনা লৈখোম লৈনাংগী ঈচেল কয়া থোকহনগনি অমসুং অনকপা তুরেলশিং তোর্বানশিং পোকখাইহনগনি হায়না লৈবাক অসিগী সিস্মোলোজিকেল, ভোলকেনিক এন্দ মেটিওরোলোজিকেল ইন্সটিট্যুটকী দাইরেক্তর এদ্দি সানচেজনা হায়রি।

## আফগান সুইসাইদ বোম্বিংদা ১৪ শিরে

***কাবুল, জুন ৪ ঃ***

আফগনিষ্টানগী মকোক থোংবা ক্লেরিকশিংগী মীফম অমা কাবুলদা ঙসি পাঙথোক্লিঙৈদা চত্থরকপা সুইসাইদ বোম্বিং অমদা য়ামদ্রবা মীওই ১৪ শিরে হায়না ঙসি পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

কাবুল পোলিটিক্লিক য়ুনিভর্সিটিগা নক্লবদা কাউন্সিল ওফ এলদর্স হায়বসি লোয়া জিরগাগী তেন্ট মনুংদা রিলিজিয়স স্কোলর ২,০০০ হেনবনা মীফম পাঙথোক্লিবা কম্পাউন্দ চঙফম মনাক্তা বোম্বর অদুনা মাগী এক্সপ্লোসিভশিং অদু পোকখাইহল্লকখিবনি। পোকখাইহল্লকখিবা অদু ক্লেরিকশিং অদুনা সুইসাইদ বোম্বিংশিংগী মায়োক্তা ফতৱা অমা হেক লাওথোকখিবা মতূংদনি হায়রি।

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 15/04/18
Valid : 12/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Yairipok Gas**
Booking : 02/05/18
Valid : 27/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 24/04/18
Valid : 10/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 07/05/18
Sl. No, 100
Valid : 03/05/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Canchi Gas Service**
Booking : 04/05/18
Valid : 01/05/18
Stk : 306/19kg 30
Rate : Rs. 811.50/-
Time : 08.00 to 10.00 a.m

**Athokpam Indane**
Booking : 18/04/18
Valid : 11/04/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Heirok Gas**
Booking : 01/05/18
Valid : 08/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 28/04/18
Valid : 26/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Khongnang Gas, Ningthoukhong**
Booking : 16/05/18
Valid : 11/0518
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 05/06/18
Valid : 04/06/18
Stk : 206
Time : 07.00 to 11.00 a.m

### সনা-সুদোকু -১১৮৭ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 4 | 8 | 2 | 1 | 3 | 7 | 6 | 9 |
| 2 | 9 | 6 | 4 | 5 | 7 | 8 | 1 | 3 |
| 7 | 1 | 3 | 8 | 6 | 9 | 2 | 5 | 4 |
| 6 | 2 | 1 | 9 | 7 | 8 | 4 | 3 | 5 |
| 9 | 3 | 7 | 5 | 4 | 6 | 1 | 8 | 2 |
| 4 | 8 | 5 | 3 | 2 | 1 | 6 | 9 | 7 |
| 3 | 6 | 4 | 1 | 9 | 2 | 5 | 7 | 8 |
| 1 | 5 | 9 | 7 | 8 | 4 | 3 | 2 | 6 |
| 8 | 7 | 2 | 6 | 3 | 5 | 9 | 4 | 1 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1187**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 8 | 6 | 9 | | 5 | |
| | 9 | | | | | | | |
| 5 | 1 | | | | | 8 | 6 | |
| 4 | | | | 1 | 8 | | | |
| | | 2 | | | | | 8 | |
| | | 8 | | | | 7 | | |
| 6 | 4 | | | | 3 | 1 | | |
| | | | 2 | | 6 | | | |
| 2 | | | 5 | | | 9 | 3 | |

RST Resonant Tutorials
RESONANT TUTORIALS
Imparting Light to Medical Aspirants
SL/Bill (upto 12 June)
ADMISSION OPEN
Regular Course for Medical Entrance Exam
NEET (UG) - 2019
Class Commence : 21st June, 2018
Last Date of Admission : 19th June, 2018
Separate Section For Purely English Medium.
Hostel facility for Boys & Girls.
For more details, pliz contact: Resonant Office Keishampat Keisham Leikai, Near Manipur Rural Bank
Office Timing: 8:00 a.m. - 4:00 p.m.